জুন ১১ ফাওবগী...

*লামায় ১গী মখা...*ওর্দর অসিমক্কী কোপিশিং কেস অসিগী কাউন্সেলশিং অমদি এদভোকেট কম্মিস্নর অসিদা মখোয় মখোয়গী ঈ-মেল নৎত্রগা ৱাটসএপকী খূত্থাংদা পীনবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। পনবা য়াবদি, নুমিৎ অসিদা কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০১৭ অসিগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭ অমদি কেস অসিগী পার্টিশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌনরকখিবা মিসেলিনস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৩ ওফ ২০১৮, ২৬ ওফ ২০১৭, ২৮ ওফ ২০১৮, ২৯ ওফ ২০১৮, ৫ ওফ ২০১৮ অমসুং ২২ ওফ ২০২১সু পুল্লপ লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

ওন্নখিবা

ঙরাংগী পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা 'ঐচ ভি এস ওক্সিজেন প্লান্টতা এদিসনেল পাৱর পীরোইদৌরি' হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউ অদু মে ১০ অমসুং ১২গী অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবদা পাৎশোইগী ঐচ ভি এস ওক্সিজেন প্লান্টতা এদিসনেল পাৱর পীনবগী থৌরাং তৌবনা মরম ওইরদুনা য়ুরেম্বম সব ষ্টেসন্দগী ইষ্টর্ন-১ অমসুং ব্রিক ফিল্ড ফিদরদগী মৈ পীরম্বা পাৎশোই, য়ুরেম্বম, লাংজিং, তাকয়েল, তাওবুংখোক অমসুং সলাম্নচিংবা মফমশিংগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা নুমিৎ অনীসিগী মতমশিং অসিদা মৈ ফংলোই হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক ঙাকপীগনি। *- এদিটর*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.202789
US Dollar	73.343269
British Pound	103.431607
Australian Dollar	57.812002
Chinese Yuan Renminbi	11.438581
Japanese Yen	0.673921
Malaysian Ringgit	17.857321
Singapore Dollar	55.383445
South Korean Won	0.065916
Saudi Arabian Riyal	19.558205
Thai Baht	2.360736

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 09-04-21
B/upto - 10-04-21
Stock 306
7am to 10am

M/s K&K INDANE SERVICE
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL - 9362663937. *SAGOLBAND & SURROUNDING - 9862791279, 9366727636, 9089519886. *LANGJING, PATSOI - 9366474013. *KONTHOUJAM A/c LAMSHANG A/C - 9863201839, 6009291975.
For query & others - 8258019383 & 9366727636.
Booking upto 08/04/2021
Valid from 25/03/2021.
Time 7.30 am to 11am

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto : 27-03-21
VALID FROM 23-03-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 11-05-2021
CONTACT NO:7005695308, 6009772483

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 08/02/21
Valid from 06/02/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 08/04/2021
BOOKING upto:09/04/2021
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY : (KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO) 9436280866
TIMING: 8:00 am to12:00pm (HOME DELIVERY ONLY)

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING upto:18/04/2021
VALID FROM :15/04/2021
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295, ROMESH--7629090297 (MOIRANG A/C).
2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON

GBD Indane Service
Booking upto :-03/04/2021
Valid from :- 11/03/2021
Stock :- 281
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Every-day Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

চীংদা পুখ্রি তৌদুনা ঙা য়োক্লিবা ঙামী অমগী মরাইবক

মতেং খজিক্তং পাংবীরবদি অমুক্কা হেন্না মায় পাক্কনি : অশাং ঙালুং

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাঙদা ঙা য়োক্লবগীদমক অতোঙবা অমসুং অঙন্বা চীংগী শরুক্তা পুখ্রি তৌবা হৌগৎলকপদা থেংনখিবা পূম্নমক্না অঙকপা থৌদোক ওইনা মায়োক্লখিবগী মথক্তা চীংদোন্দা পুখ্রি তৌরগা ঙা য়োকপগী থবক অসি ওইথোক্লোই হায়নবীখিবা পূম্নমক্তুগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসিদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা তোঙৌ ভিলেজগী চীংথক্তা চাউরবা পুখ্রি অনীদা ঙা য়োক্তুনা মায় পাক্লবা ঙামী অমা ওইরবা অশাং ঙালুংনা থেংনরকপা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী কয়া ফোঙদোরক্লি।

মহাক মশামক হান্নদগী হৌনা লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইদুনা হৌরকখিবনি। অদুবু মহাক্কী শিনফম অসিগী মথক্তা চীংদা ঙা য়োক্তুনা মায় পাক্লবা ঙামী অমা ওইরগে হায়বা ৱাখলনা লমজিং ওইদুনা হোৎনরকখিবনি। পুখ্রিশিং অদু তৌবদা শেল অদুক্কী মতিক য়াম্না চঙখি। মরমদি অতোঙবা মফমদা তৌবা পুখ্রিশিং ওইবনা মদুদা মতৌ করম্না ঈশিং তুংদুনা লৈহনগদগে হায়দুনা হোৎনরকপদা অরাইবা থবক অমা ওইখিদে।

চীংদগী চেন্থরকপা চীংজুম অমসুং লোক্কী ঈশিংবু পাইপ্তা পুরগা পুখ্রিশিং অদু ঈশিং কংহন্দনবা হোৎনরকপনি। হায়রিবা পুখ্রিশিং অসিদা মতম চূপ্পগী ওইনা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবগী থবক অরাইবা ওইখিদে। নোংজুথা মতমদনা চীংগী ঈথৈ-লৌখোং পূম্নমক সিমেন্ট চন্দুনা নিংথিজনা শেন্বীরবদি চীংগী লন্বীশিংদা চেন্থদুনা মাঙহল্লিবা ঈশিং মযামসি মাঙলোই।

লোক্কী ঈশিং পাইপকী খূত্থাংদা পুরকপা মতমদা লোক্তগী চেন্থরক্লিবা ঈশিং অদুগী শরুক ১০০দা ১০০ য়ৌহন্নীংলিবা মফমদা য়ৌহল্লকপা ঙমদে। লন্বীদা খরা অদুমক মাঙই। অদুবু মহাক্না চহী ১০ রোমগী মমাঙদগী ঙা য়োক্লক্লিবা চীংদা তৌবা পুখ্রি অনী অদুগী মনুংদা অমনা মিটর ২০০ শাংলগা মিটর ৬০ পাকই। অতোপ্পা পুখ্রি অমনা মিটর ৬০ শাংলগা মিটর ৪০ রোম পাকই। হায়রিবা পুখ্রি অনী অসিদা য়োক্লিবা ঙাশিং শিহন্দনবা অমসুং খোঙহৌথুনা চাওহন্নবগীদমক কুন্বী-কালেন খাক্তনা ঈশিং লৈহনবা তঙাইফদে।

মহাক্কী লৈজরিবা পুখ্রি অনী অসিগী পাক চাওবশিং অসি য়েংলুরগদি মখল কয়াগী ঙাশিং অয়াম্বা চাংদা থাদবা য়াই। অদুবু ঙা মচা লৈননবা শেল লৈজদবদগী শুপ্নতগী লুপা লিশীং ৪০/৫০ রোমদমক পুথোক্তুনা ঙা মচাশিং লৈরগা থাদবনি। হায়রিবা শেনফম অসিগী ঙা মচাশিং অসিদি চাওখৎলকপা মতমদা মহাক্কী খুল অমসুং লোন্নবা খুলশিংগী মীয়াম খক্তনা লৈবদা য়োনবা কোন্নদে। মহাক্কী ঙাশিং ইম্ফালদা পুরক্তুনা য়োনবা ঙমদে হায়রি।

মহাক্কী ঙাশিংবু মীয়াম্না পাম্নরিবসি অতৈ ঙামীশিংগুম্না মহাক্তি মখল অমত্তগী কেমিকেল ফর্টিলাইজর শীজিন্নদে। মহাক্কী ওইনদি চেঙকুপ অমসুং চুজাক মরূ শুগাইরগা মসিগী মকুপখক্তমক থাদদুনা পীজে। অদুগা নাপি অমসুং লা হেক্লগা কূপ্না শোইরগা পীজে। হায়রিবা মচিঞ্জাকশিং অসি খক্তং পীজদুনা য়োকপদা চহী অমদা ঙা অমনা কিলোগ্রাম ১ হেন্না লূম্মী। অদুগা পুখ্রিশিং অসিগী ঈশিংসু চীংজুম অমদি লোক্কী ঈশিং ওইবনা ঙাশিং অসিগী মহাউ অতোপ্পা মফমগী ঙাশিংগা মান্নদে। তোঙানবা মহাউ অমা য়াওই। মরম অসিদগী মহাক্না পুখ্রি অনীসিদগী ফাগৎলকপা ঙা পূম্নমক কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩৫০দা য়োনবদা কনামত্তনা ৱা ঙাঙনদে। দিমান্দনা হেল্লি, য়োন্নবা ঙা কোন্নদে।

অদুম ওইনমক মহাক্না চহী ১০ চূপ্না ঙামী ওইদুনা পাঙথোরক্লিবা মহাক্কী শিনফম অসিদা মণিপুর লৈঙাকনৎত্রগা মরী লৈনরিবা ফিছরি দিপার্টমেন্টনা পাংবা য়াবা মতেং খজিক্তং পাংবীরক্লবদি পুখ্রিগী মশীং হেনগৎহনবসু ঙমগনি। ঙা মখল শুনা অমসুং মশীং য়াম্না য়োকপসু ঙমগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা কনামত্তনা মঙোন্দা মতেং পাংবীরকত্রি হায়রি।

অশাং ঙালুংনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী চীংথক্তা লৈবা ঙাগী পুখ্রি অনীখক অসিদা নত্তনা পুখ্রিশিং অসিগী অকোয়বদা মহাক্না লফোই, কিহোম, শেম, চম্প্রা অমসুং কোমলানচিংবা কয়াসু মফম খঙনা থারি। লফু পান্বী লিশীং ২ রোম থাবগী মনুংদা খরা শিরবসু হৌজিক অয়াম্বা শরুক হৌরি। হায়রিবা লফু পান্বীশিং অসিদগী লফোই য়োনবা খক্তদা চহী অমদা লুপা লিশীং ৭০/৮০দি ফংবা ঙম্মী। লফুদি য়াম্না কন্না শেন্নবীবগী তঙাইফদবা লৈতে। থাজিনখ্রবা মতুং হৌরক্লগা লফোই য়াল্লবা মতমদা খক্তা হেকপনি। চম্প্রা অমসুং কোমলা পান্বীসু লিশীং অমরোম থারে। পান্বীশিং অসিগী মনুংদগী হৌজিক মপুং মরৈ ফারক্তুনা পানবা য়াওরে। শেম পান্বীসু ১০০ রোম থারে। অহানবদা শেম পান্বীশিং অসি মহাক্না চাবা মরূদগী হৌব্রা য়েংগে হায়দুনা থারুবদা হৌরকপদগী থাবনি। পান্বীশিং অসি হৌজিক্তি মপুং মরৈ ফাবা য়াওরক্লবনিনা শোয়দনা পাল্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে হায়রি।

মসিগী মথক্তা মহাক্না কিহোম পান্বী লিশীং ৭ লোম থাবগী মনুংদা হৌজিক লিশীং ৫ রোম হিংলি। মশীং হন্থরক্লিবা অসি চহী/চহীগী ওইনা ফুকতোকখিবসু য়াওবদগীনি। অদুবু হৌরিবা পান্বীশিং অসিনা মহৈ য়াল্লক্লবা মতমদদি চহী অমদা লুপা লিশীং ৮০/৯০ রোম ফংই। কিহোম পান্বীদি চহী খুদিংগী থাবা নত্তে। অমুক থাখিবা অদুনা চহী ৭ ফাওবগী মনুংদা চহী খুদিংগী মহৈ য়াল্লি। মহাক্না মখল অমত্তগী হার হাপ্তবা অসিনা কিহোম পান্বীশিং অসিগী মপুন্সি শাংনা চৎপা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ঙা য়োকপা খক্তা নত্তনা হৈ-রা কয়াসিসু থাবগী মথক্তা চুঙৌ পান্বী লিশীং ১ রোমসু মহাক্কী মফম অসিদা থাই। মসিসু মফম কয়াদগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না লৈবা লাক্লবদগী চুঙৌ থাবসিসু মায় পাকপা শিনফম অমা ওইরে হায়রি।

হোকর কোবগী মীংদা পেন্সন ...

লামায় ১গী মখা... চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী লৈখিদ্রবগী মীংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপদুগা মরী লৈননা কে ঐচ টোকিওনা ফোঙদোরকখিবদা পেন্সনগী শেনফমসি লৈকায় অসিগী অহলশিং, লুখ্রাবীশিং অমদি দিসএবলশিংদা থা থাগী ওইনা পীদুনা লাকপনি। হান্নদি লুপা ১০০/১০০ খক্তং পীরম্বনি অদুবু সভেন্থ পে লাকপদগী লুপা ২০০/২০০ ওইনা মীওই ১৯দা পীবনি হায়খি।

এগজাম লান্না কেন্সেল তৌরে হায়বগী...

লামায় ১গী মখা... শাশিন্নবা নোটিফিকেসন অদু মোবাইল নম্বর ৭০০৫১২৩৮১০দগী কাউন্সিল অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্সন ওফিসর ওইরিবা পি ঐচ রাজেসনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইবা ৱাটসএপ গ্রুপ 'কাউন্সিল হায়র সেকেন্দরি এন্দ কোল গ্রুপ' কৌবা গ্রুপ অদুদা ফোরৱার্দ তৌশিল্লকখিবনি হায়রি।

লোয়ননা কাউন্সিলনা লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসনশিং অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কেন্সেল তৌবা লৈত্রি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা থৌওং অসি মহৈরোয়শিংগী সেন্টিমেন্ট শোকহনবা য়াম্না শাথীবা ক্রাইম অমনি হায়রদুনা মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপীবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

হিমন্ত বিশ্বা সর্ম অসামগী তরামঙাশুবা...

লামায় ১গী মখা... থৌরমশিং পায়রকপগী অনীশুবা নুমিৎ ওইগদৌরিবা হয়েং মহাক্না লুচিংবা অনৌবা লৈঙাকসিগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী অহানবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অনৌবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৌখৎলক্কদবা থবক থৌরমশিং লাউথোক্কনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, অসামবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক থবকশিং পায়খৎকনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী মাঙজিল থারিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা চলহনগনি হায়খি।

অসামদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি মীপাইনীংঙাই ওইরে হায়বগা লোয়ননা ঙসি ঙসিমকসু ষ্টেট অসিদা নুংতিগী লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং লিশীং ৫গী মথক্তা হেনগৎলক্লি। মরম অসিনা লায়না অসিগী লাইচৎ শন্দোরকপগী মায়োক্তা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়খি।

ইলেক্সনগী মতমদা বি জে পিনা মীয়ামদা থমখিবা ৱাশকশিং অদু চুম্নখক্কী ৱাশক খক্তা নত্তনা মদুদা ফোঙদোকখিবশিংবু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্না য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা-ইন্দিপেন্দেন্ট) কী লুচিংবা পরেস বরুৱা য়াওনা ইন্সর্জেন্টশিংদা ভাইওলেন্সকী লম্বী নাথৈরম্লগা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্নসু আপিল তৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংসু শরুক য়াখি।

কর্ফিয়ু থুগাইরগা পুলিস ফুরুবা ১ য়াওনা মীওই ২...

লামায় ১গী মখা... পার্টি অদুনা মখোয়গী গাড়ীদা কাখৎনবা হায়রুবদা মখোয় অনীগী মনুংদগী এ অজিৎনা এ এস আই অসিগী মমায়দা কিন্না থিল্লকপগা লোয়ননা মহাকপু লৈমায়দা ইন্থুখি অমসুং মবুক্তা খোঙনা কাওশিল্লকখি। মসিগী মথক্তা এ এস আই অসিগী য়েৎথংবা লেংজুমগী বেজদা থেৎলিবা ষ্টার ফোইদৎপগা লোয়ননা হুইসেল কোর্দসু থদৎখি হায়রি।

থৌদোক অসিদা এ এস আই অসিগী মায়, থবাক অমসুং হকচাংগী মফম খরদা অশোক অপন য়াওখি। মরম অসিদগী এ এস আই অসিনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্দা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অদু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৫৩, ৫০৪, ২৭০, ১৮৮ অমসুং ৩৪গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা কেস এফ আই আর নম্বর ৭৭ (৫) ২০২১নি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা লম্ফেল পুলিসনা পুলিস ওফিসরদা খূৎ থারুবা এ অজিৎ অমসুং মহাক্কা লোয়নরকখিবা এল লক্সমিকান্তবু ফাগৎপগা লোয়ননা মখোয় অনীদগী য়ুঙৌ লিটর ২০, মখোয় অনীনা য়ু পুরকখিবা মখোয়গী মারুটি ৮০০নচিংবশিং সিজর মেম্মো শেমদুনা সিজ তৌখি। অদুগা শোক্লবা এ এস আই অদুবুনা রিমসতা লায়েংনবগীদমক এদমিট তৌখি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি লম্ফেল পুলিসকী মায়কৈদগী ফারবা মীওই অনীমক সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্ট অসিগী মেজিষ্ট্রেট ৱাই সোমোরজিৎনা মখোয় অনীমক ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি হায়রি।

হায় কোর্টনা অপূনবা রেসপোন্দেন্ট তরুক্তা নোটিশ ইস্যু ...

লামায় ১গী মখা... তখেল্লম্বম লৈকায়দগী নরেস মাইমোম (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইবোবীনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। থা অসিগী ৭তা মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অসিনা রেসপোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লক্লিবা ওথোরিটিশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (হেল্থ), দিরেক্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), দিরেক্টর (রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস), দিরেক্টর (জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস) অমসুং এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনি।

পিটিস্নরনা মহাক্কী পি আই এল সিদা কোর্টতা প্রেয়র তৌরকখিবা অতোপ্পা ৱাফমশিংগী মনুংদা অথুবা মতমদা থৌবাল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওক্সিজেন প্লান্টশিংগী ওক্সিজেন জেনরেসন মেছিন থম্বগা লোয়ননা মসিগী টেক্নিসিয়নশিং হাপকদবনি। অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা মথৌ পাঙথোক্তনা লৈরক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী ওক্সিজেন প্লান্টসু মথৌ তৌহল্লু অমসুং মখা তানা অতোপ্পা ওক্সিজেন প্লান্টশিং থম্মু হায়বসিনি।

পিটিস্নরগী ৱাকৎ অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল নম্বর ২৬ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মেট্রর অসি ঙসি চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা মেট্রর অসিখক্তমক লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নখ্রে।

কোর্টনা পি আই এল অসি এদিমিট তৌখিবগা লোয়ননা মসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট তরুক্কী মনুংদা মঙাশুবদা য়াওরিবা জেনিমসকী দিরেক্টর অমসুং তরুকশুবা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরদা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মসিগী পাউখুম থা অসিগী ১৮দা পীরক্নবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রি) দা ইস্যু তৌবা নোটিশনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস দি) এস সুরেসনা লৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (হেল্থ) কী নোটিশনা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎনা লৌখি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরগী নোটিশসু এদভোকেট জেনরেলনা লৌখিবগা লোয়ননা রিমসকী দিরেক্টরদা ইস্যু তৌবা নোটিশনা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লৌখি।

কোর্টনা মেট্রর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা হৌজিকমক্কী ওইনা কোর্টকী মায়কৈদগী মণিপুরদা ফংলিবা ওক্সিজেন সপ্লাইশিংবু ষ্টেট অসিদা মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা দিরেক্সনশিং পীবা চুম্লোই হায়বা ৱাফম থমখি। অদুম ওইনমক রিমসকী দিরেক্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম দেবানন্দদা রিমসতা হৌজিক লৈরিবা ওক্সিজেনগী এলোকেসন অদুদগী থোইদোক হেন্দাক্না মথৌ তাবশিং লৈহন্নবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মে ৬, ২০২১দা পীখিবা মসিগা মরী লৈনবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী পেরেগ্রাফ নম্বর ২৫দা হায়খিবগী মতুংইন্না নেসনল টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী মণিপুরগী ওইনসু কম্মিটি অমা শেম্নবগী ৱাফমনি হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কোর্টনা ঙসি পীখিবা দিরেক্সনশিং অদুগী মনুংদা হোস্পিটালশিংদা মতিক চাবা আই সী য়ুগী ফমুংশিং ফংহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং, লোকল ওক্সিজেন প্লান্টশিংদা লেপ্তুনা পৱার সপ্লাই পীবগী মতাং, থৌবাল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওক্সিজেন প্লান্টশিং অথুবা মতমদা থবক হৌহনবা লোয়ননা অনৌবা ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাংদোকপগী মতাংনচিংবগী ৱাফমশিং কোর্ট অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহনবা মথৌ তাই হায়বা ওবজার্ভেসনশিং থমখি।

মখা তানা ঙসি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা দিরেক্সন্দনা ইম্ফাল সিটি য়াওনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লে হায়বসি খঙহনবগা লোয়ননা পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিটালশিংদা এদমিসন তৌবা, মখোয়বু ফমশেন্নরিবা মখোয়গী নক্লবা মীওইশিংদা মায়োক্লহল্লক্লিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু খঙজিনগদবনি হায়বগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা রিমস অমসুং জেনিমসনচিংবা য়াওনা অচৌবা হোস্পিটাল খরদা পেসেন্টশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি ন্যুত্রিসনগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহন্দ্রে হায়রকপনা মসিবু ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

পেসেন্টশিংগী ইমুং মনুংনা মথৌ তারকপদা মখোয়গী অনাবশিংগী মতেং পাংহনগদবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পেসেন্টশিং ফমশেন্নরিবা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবগী চপ চাবা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা মরু ওইবা পোৎলমশিং ফংহনগদবনি হায়খি। লোয়ননা মেট্রর অসি থা অসিগী ১৮দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সনসু পীখি।

জিবন হোস্পিটালনা কোভিদ পেসেন্টশিংদা ওক্সিজেন ৱাৎতনা...

লামায় ১গী মখা... মরিশুবদা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটালশিংদা লায়েংননবা এদমিসন তৌবা ফংদবগী অৱাবা তানরিবা ময়াম অসি উরুবদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়জরকপা অমদি ককচীংগী লোকল এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা তাকপীরকপদগী জিবন হোস্পিটাল অসিগী ওইনসু ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা লৈরবা, ফমুং ১৪ লৈরবা কোভিদ ক্যের ৱার্দ অসি হাংদোকপনি। হোস্পিটাল মশাগী ওইজবা ওক্সিজেন জেনরেটর অমা লৈজে। মসিনা নোংমদা দি টাইপকী সিলিন্দর অসি ৮দগী ১০ ফাওবা পুথোকচবা ঙম্মী। ওক্সিজেন জেনরেটর অসিদগী পাইপ লাইন্দা পীরগা অনাবা ৮গুম্বদা ওক্সিজেন পীবা ঙম্মী। অদুগা লেমহৌরিবা অনাবশিংনা সিলিন্দরদগী তৌরগা ওক্সিজেন পীরি। মসিগীসু মথক্তা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটরশিংনসু মতেং পাংলি। মসিগীসু মথক্তা নুমিৎ ৩/৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা ওক্সিজেন পুথোক্লিবা প্লান্ট অসিদগীসু দি টাইপ সিলিন্দর ৩/৪ লৌরুদুনসু হোৎনরি। ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা কোরোনাগী অনাবশিংদা ওক্সিজেন ৱাৎতনবা হোৎনরি।

জিবন হোস্পিটাল অমসুং মসিগী ষ্টাফশিংনসু কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী লাইচৎ অসি থিংননবা হোৎনবদা আর টি-পি সী আর, আর এ টি টেষ্ট তৌবা য়াওনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) কী টেষ্ট তৌবদগী হৌরগা তোঙানবা ব্লোক থমদুনা লায়েং চত্থবগী থবক তৌরি। অতোপ্পা অনাবশিংগীদমকসু অদুম্নমক লায়েং চত্থরি। কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লাইচৎ অসিনা ইমুং অমগী মীওই ৯ পূন্না পোজিটিভ ওইবা ফাওবা থেংনরি। হোস্পিটাল অসিদা টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮দগী ১৮ ফাওবা পোজিটিভ ওইবগী কেস থেংনরি, মতম খরদি মসিগী মওং অসিদা অদুম্মক চত্থরকখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। মসি পূম্নমক অসি লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক জিবন হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা লাক্লি, মখা তানসু হোৎনখিগনি। জিবন হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি হেল্থ ক্যেরগী লম্‌দা কত্থোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা থৌগল তৌখিগনি হায়নসু ডা. অশোক কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না ৱাংবদগী ফগৎলকপগী চাং চাদা...

লামায় ১গী মখা... পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৬৮, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ৩৯, ইম্ফাল ইষ্ট ১৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৭, মায়পাকপী ৬, মাদরস ক্যের ৩, হিল সাইট ৩, লিট্টুল ক্লিনিক ১, স্বিস ক্লিনিক ১, ইমা হোস্পিটাল ১, রাজ মেদিসিটি ৫২, পিছ হোস্পিটাল ২, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল ৩, শিজ হোস্পিটাল ১৯, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১১৪, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৩৪, বিষ্ণুপুর ১৫, চুড়াচান্দপুর ১৬, চান্দেল ৩, সেনাপতি ১, তমেংলোং ২, জিরিবাম ১১, কাংপোকপী ৩ অমসুং নোনেদা ১নি হায়রি।

লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৫৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৭৫, থৌবাল ৮, বিষ্ণুপুর ৩০, ককচীং ৩, উখ্রুল ১, চুড়াচান্দপুর ১৮, চান্দেল ৩, সেনাপতি ১, তমেংলোং ২, জিরিবাম ১১, কাংপোকপী ৩, তেংনৌপল ১ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরবা অপূনবা মীওইশিং অসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অপূনবা মীওই ১৩নি হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৪২শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৭ (চহী ৪৩, ৪৮, ৬৫, ৬৬ অমসুং ৬২) শুরবা নুপা ৫ অমসুং মশাগী চহী ৬০ অমসুং ৭২ শুরবী নুপী ২, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৪৬শুরবা নুপা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৯২শুরবী নুপী ১ অমসুং চহী ৭৩শুরবা নুপা অমা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৩৯শুরবা নুপা ১ অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৩৩শুরবী নুপী অমনি হায়রি।

লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ঙরাং মীওই ১৫ লৈখিদবা অদুদগী ঙসিনা মীওই ১৩ খক্তমক লৈখিদবা ওইরবসু ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৪৮৯শুরে। ঙসিগী মীওইশিং অসি রাজ মেদিসিটিদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ২, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, জেনিমসতা ১ অমসুং রিমসতা মীওই ৭ লৈখিদবনি হায়রি।

অদুগা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৭নি। মীওইশিং অদু সেন্ট্রেল আমার্দ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ৩, হোম আইসোলেসন ৪১, রিমস ৮, আর দি ৱিং ২, লানভা ১০, বাল ভবন ১, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ১, ককচীংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ১, জিরিবাম ১, বিষ্ণুপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ৭ অমসুং উখ্রুলদগী ১২নি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাংনা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিংগী মরক্তগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবগী মশীং ১৩৫ ওইখিবনি। অদুবু নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ ওইবগী মশীং অয়াম্বা চাংদা থেংনবা অমসুং দিসচার্জ তৌবগী মশীংদসু হেনগৎলক্তবনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকপগী চাং চাদা ৮৫.৭৬তা হন্থরক্লে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা নাহল্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৩৫,৭৭৮শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৩২,১১০ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৬৬৮নি। অদুগা ঙসি ফাওবগী ওইনা রিকোভর তৌরক্লবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৩০,৬৮৫নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৭,২০৪নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৮১নি। হায়রিবা ফীভম অসিদগী লায়না অসিগী এক্টিভ কেস মশীং ৪,৬০৪শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৪,৪২২ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১৮২ ওইরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইহল্লবা মীওইশিংবু লায়েংবদা তঙাইফদনা মথৌ তারক্লিবা ওক্সিজেনশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরগী হেল্থ ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হৌখিবা পুং ২৪দা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,০২০ অমসুং বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫২৪দি খুদোংচাবা ফংহনখি। মসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা দি টাইপকী ১২৮ অমসুং বি টাইপকী সিলিন্দর ৮৫নি। হায়রিবা মখল অনীগী ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসি বিষ্ণুপুরদা দি টাইপকী ১৩, বি টাইপকী ৮, চান্দেলদা দি টাইপকী ১৮, বি টাইপকী ৬, চুড়াচান্দপুরদা দি টাপকী ২৪, বি টাইপকী ১০, সেনাপতিদা দি টাইপকী ৬, বি টাইপকী ৭, থৌবালদা দি টাইপকী ২৩, বি টাইপকী ১১, উখ্রুলদা দি টাইপকী ৯, বি টাইপকী ১৬, তমেংলোংদা দি টাইপকী ১৫, বি টাইপকী ২১ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতনা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২০ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৬কী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২,৬৬,০৮১শুখিবগা লোয়ননা হীদাক অসিবু কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংনা রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, কম্যুনিতি হেল্‌ঠ সেন্টরশিং, পব্লিক হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীগদবনি হায়বগা লোয়ননা মীপূম খুদিংমক্না মাস্ক উপ্পীয়ু, খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীয়ু অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

চীফ সেক্রেটরি ইন চার্জনা হকথেংননা ...

লামায় ১গী মখা... হাংদোক্লিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নৌনা হাংগদৌরিবা সেন্টরশিংগী মফমশিংসু য়েংশিনখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা ওইনামদা হৌজিক চত্থরিবা কোভিদ-১৯না নারকহন্দনবগীদমক হীদাক কাপথোক্লিবা ওইনাম পব্লিক হেল্থ সেন্টরগী ভেক্সিনেসন সেন্টরসু মহাক্না হকথেংননা য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমার, পুলিসকী এস পি প্রিয়াদর্সনি লাইশ্রম অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) ডা. এল গোজেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর (দি আই ও), বিষ্ণুপুরনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মীওই ৩১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ১৮না নুপানি অদুগা ১৩না নুপীনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা অপূনবা মীওই ১,৭৬৮ পোজিটিভ ওইরে হায়বগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা মীওই ১,৭৩৫না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৩৩না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস পর্সনেলশিংনি হায়রি। লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীশিংনা ১,৪৮৪ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ১,৪৫১না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি অদুগা ৩৩না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস পর্সনেলশিংনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই ২২৭ এক্টিভ ওইরি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা এক্টিভ ওইরিবা অপূনবা মীশিং ২২৭ অসিগী মনুংদা মীওই ৫৯না বিষ্ণুপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থল্লি। মীওই ১১৭না হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা লেমহৌরিবা মীওই ৫১না তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা রিফর তৌদুনা লায়েংবগী থবক চত্থরি হায়রি।

দি আই ওগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শিখিবা মীওইশিং থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনখিবা অপূনবা মীশিং ৫৭শুরে। মসিগী মনুংদা নুপা ৩৯ অমসুং নুপী ১৮নি হায়রি।

লোয়ননা বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী অপূনবা ফমুং মশীং ৭৮নি। মসিগী মনুংদা ৫৯দি পেসেন্টশিংনা শীজিন্নরি হায়বগা লোয়ননা পেসেন্টশিং অসিগী মনুংদা মীওই ১৬না ওক্সিজেনগী মতেং লৌরি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২৫ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২১গী খুদোংচাবা ফংবা ঙমখি। মসিগী মনুংদা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলন্দির ৫দি হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরি হায়নসু দি আই ওগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

নাকল অমরোমদা, লায়না লাইচৎ অসিবু মায়োক্লদুনা মসিনা নারকহন্দনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইরকখিবা মীওই ২৮ পুলিসনা ফাগৎতুনা মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ১২,৮০০ ঙসিগী ওইনা খোমগৎখি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মীওই ২১,৪১৪না ঙরাং ফাওবদা কর্ফিয়ু নৎত্রগা এস ও পিশিং থুগাইরকপগীদমক পুলিসকী মায়কৈদগী নন-এফ আই আর কেসশিং লৌখৎতুনা ফাইন থিহনখিবা অপূনবা লুপা ২০,১২,১৯০ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা টি আর - ৫ কল্লগা ফাইন থিহনখিবা অপূনবা শেনফমনা লুপা ১৫,৩১,০০০নি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা/এস ও পি ঙাক্তবদগী ফাগৎখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অপূনবা মীশিং ২১,৪৪২ শুখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী ঙসি ফাওবগী ওইনা ফাইন ওইনা থিহনখিবনা লুপা ৩৫,৫৫,৯০০ শুরে হায়রি।